# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 21-10-2024)**

**অকাশবানি ইম্ফালগী**

**অয়ুক পুং ৭.৩০ গী মণিপুরি পাউ**

**(তাং ২১-১০-২০২৪, নিংথৌকাবা)**

**সিএম (এল)ঃ** মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না সভাপতি ওইদুনা ঙরাং নিউ দিল্লিদা পাঙথোকখিবা মীফম অমদা রাজ্য অসিগী খুঙ্গং অমসুং সহরগী লমশিং হেন্না চাওখৎহন্নবগী মতাংদা কুপা খন্ন-নৈনখ্রে।

সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- মীফম অদুদা পি.দব্লিউ.দি অমসুং য়ুথ এফ্যারস এন্দ স্পোর্টস মন্ত্রি গোবিনদাস কোন্থৌজম অমসুং চীফ সেক্রেটরি বিনিত জোসি শরুক য়াখি। মীফম অদুনা লম্বী থোং শেম্বা য়াওনা অতৈ চাওখৎ থৌরাং কয়াগী মতাংদা কুপা খন্ন-নৈনখি। নৌনা পায়খৎকদবা প্রোজেক্টশিংগী মতাংদসু মীফম অদুনা খন্নখি হায়রি।

অমরোমদা, মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন অমসুং স্পোর্টস মন্ত্রি গোবিনদাস কোন্থৌজমনা ঙরাং কেন্দ্রগী পার্লিয়ামেন্টরি অমসুং মাইনোতিরি এফ্যারস মন্ত্রি কিরেন রিজিজগা নিউ দিল্লিদা উন্নখ্রে। উন্নবা অদুদা মাইনোরিতি এফ্যারস মন্ত্রালয়গী মখাদা রাজ্য অসিদা পায়খৎলিবা চাওখৎ থৌরাংগী থবকশিং হেন্না খুমাং য়াংশিন্না পায়খৎনবগী মতাংদা খন্নখি। লোয়ননা রাজ্য অসিগী শান্নরোইশিংগী হৈ শিংবা হেনগৎহন্নবা মণিপুরদা ৱার্ল্ড ক্লাসকী ফুটবোল ষ্টেদিয়ম অমা শাননবগী মতাংদসু কুপা খন্নখি হায়রি।

**ইগজিবিসন (এল)ঃ** শকয়েং মিংশেলনা শিনদুনা থা অসিগী ১৭ তগী ইম্ফালগী পেলেস কম্পাউন্দা লৈবা ইবোয়াইমা সুমাং লিলা সংলেনদা চথরকখিবা শক াইরবশিংগী ‘লিক্লু পরেং’ কৌবা অহুমশুবা সোলো আর্ট ইগজিবিসন ঙরাং লোয়শিনখ্রে।

নুমিৎ হুমনি চথখিবা থোইথোইবা ময়াংলাংবমস (য়েলহৌ য়াংকোক আর্টিষ্ট) কী সোলো আর্ট ইগজিবিসন অসিদা শকাইরবা মীওইশিংগী অয়েকপা লাই ৩০ রোম উৎখি। ইগজিবিসন অসিগী শরুক অমা ওইনা শৈরেং শৈদিন্নবা অমসুং মহৈরোইশিংগী ওইবা লাই য়েকপা চাংদমবা অমসু পাঙথোকখি। মকোক মথং তারবশিংদা মনা মথুমসু য়েন্থোকখি।

**অমাস (এল)ঃ** ফোরেন মেদিকেল গ্রেজ্যুয়েত এগজামীনেসন সেন্তর মণিপুরদা থন্বীয়ু হায়না ওল মণিপুর এম.বি.বি.এস এব্রোদ ষ্টুদেন্সকী চেরোল অমনা হায়রি। চেরোল অসিনা হায়-মণিপুরগী মপানলমদা মেদিকেল তম্লুবা মহৈরোয়শিংনা লৈবাক অসিদা মথৌ তৌবা য়ানবগীদমক তঙাই ফদনা থাগদবা এম.সি.আই স্ক্রিনিং তেষ্ট হায়নসু খঙনবা নেসনেল বোর্ড ওফ এগজামিনেসন ইন্দিয়ানা লৌবা এগজাম অসিগী সেন্তর মণিপুরদা অমত্তা পীদবা অসিনা মহৈরোইশিংদা চাওনা অৱাবা মায়োকরে হায়রি।

**বোদি বিল্ডিরস (এল)ঃ** ওল মণিপুর বোদি বিল্ডিরস এসোসিএসনগী মীৎয়েং মখাদা এ-থ্রি ফিটনেশ খুরাই শাজোর লৈকাইনা শিন্দুনা ঙরাং উত্তারায়ন হোলদা পাঙথোকখিবা অহানবা ক্লাশিক বোদি বিল্ডিং এন্দ ফিজিক স্পোর্টস চেম্পিয়নশিপ ২০২৪ গী মেন্স বোদি বিল্ডিংদা, মশল ফেক্তরি ককচিংনা অহানবা, রোয়েল জিম নিংঙোমথোংনা অনিশুবা অমদি ৱাইল জিম হত্তানা অহুমশুবা তাখি। অদুগা মেন্স স্পোর্টস ফিজিক্কী ওইনা ৱাইল জিমনা অহানবা, রোয়েল জিমনা অনিশুবা অমদি ওগষ্ট জিম নিউ চেক্কোন্না অহুমশুবা তাখি।

**আরদিপিআর(এল)ঃ** রাজ্য অসিদা থোক্লিবা ঈরাং অসিদা শোকহল্লবশিংগীদমক অখন্নবা প্রোজেক্ট অমগী মখাদা য়ূম লিশিং ৭ শানবা শেন্থং পীবিনবা রুরেল দিভলপমেন্ট এন্দ পঞ্চায়েতি রাজ মন্ত্রালয়দা থাখিবা প্রোপোজেল অয়াবা পীরক্লে। মন্ত্রালয়না রাজ্যগী আর.দি এন্দ পি.আরগী স্পিনিএল চিফ সেক্রেটরিদা থারকখিবা চেরোল অমদা হায়-মণিপুরদা থোক্লিবা ইরাং অসিগী য়েংলগা প্রধান মন্ত্রি অৱাজ য়োজনা গ্রামিনগী মখাদা অখন্নবা প্রোজেক্ট অমা পায়খৎতুনা য়ুম লিশিং ৭ হেন্না শানবগী থৌরাং অদু অয়াবা পীরে। মরম অদুনা মরি লৈনবা ওথোরিতিনা থা অসিগী ২৮ ফাওবদা অখন্নবা ৱিন্দো অমা অৱাজ প্লসতা হাংদুনা নুমিৎ ১৫ অসিগী মনুংদা ইরাংনা শোকহল্লবা ইমুংশিংগী অকুপ্পা মরোলশিং অপলোদ তৌনবা খঙহল্লি।

**পুলিস(এল)ঃ** রাজ্য অসিদা হৌখিবা পুং ২৪ দা পামদবা থৌদোকশিং থোকখিবগী থোইদোকপা পাউ লৈতে। সেক্যুরিতি ফোর্সনা ইরাং থোরকপা য়াবা চিং অমসুং তম্পাক্কী মফমশিংদা থিবা হুন্বগী থবক লেপ্তুনা চথরি হায়না পুলিস কন্ট্রোল রুমগী চেরোল অমনা হায়রি।

পুলিসকী পাউ অসিনা হায়-সেক্যুরিতি ফোর্সকী অকনবা চেকশিল থৌরাংগা লোয়ননা ঙরাং নেসনেল হায়ৱে নম্বর-২ ইম্ফাল দিমাপুর লম্বীদা পোৎ-চৈ পুবা গারি ৩৫২ ইম্ফাল তমা পুরকখ্রে। ইরাং অসিগা মরি লৈননা চিং অমসুং তম্পাক্কী মফম ১১০ দা সেক্যুরিতি চেক পোইন্টশিং হাংদুনা অকনবা চেকশিল থৌরাংশিং লৌখৎলে হায়রি।

**এআর(এল)ঃ** অসাম রাইফলসনা ক্বাথা খুংগংগী অঙাং ১৫ অমসুং সেনিয়র সিতিজন অমা য়াওনা পুন্না খুঞ্জা ১৬ এমব্যুলেন্স সপ্পোর্টকা লোয়ননা পলেল ফাওবা পুরক্তুনা লায়েংবদা মতেং পাঙখ্রে। আই.জি.এ.আর সাউথকী চেরোল অমদা-খুঞ্জাশিং অদু পলেলদা লায়েংলবা মতুং মশাগী খুংগং ক্বাথা য়ৌনা তেক্তা কাইদনা য়ৌহনখ্রে হায়রি। অসাম রাইফলসনা লৌখৎলক্লিবা খোঙথাং অদুগীদমক ক্বাথা খুলগী সেক্রেতরি টি সঞ্জোয় অমদি খুঞ্জাশিংনা থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

**রাষ্ট্রপতি ঃ** রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা হয়েং নিউ দিল্লিদা মঙাসুবা নেসনেল ৱাটর এৱার্দস ২০২৩ য়েন্থোক্লগনি।

মসিগীদমক কেন্দ্রগী জল শক্তি মন্ত্রালয়না বেষ্ট ষ্টেট, বেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট, বেষ্ট ভিলেজ পঞ্চায়ট, বেষ্ট অরবান লোকেল বোদি, বেষ্ট ৱাটর য়ুজর এসোসিয়েসন য়াওনা তোঙান তোঙানবা মনা ৩৮ লাউথোকখ্রে।

খ্বাইদগী ফবা রাজ্যগী মনানা উরিষানা তারে। উত্তর প্রদেশনা অনিসুবা অমসুং গুজরাত অমদি পুদুচেরিনা পুন্না অহুমসুবা তারে। মন্ত্রালয়গী পাউনা হায়-ঈশিং শিজিন্নবা অমসুং মসিবু য়োক্তুনা থমবগী মতাংদা সরকারনা জাতিগী থাক্তা মীয়াম্বু ৱাখল তাহন্নবা থৌরম কয়া পাঙথোক্তুনা লাক্লি। সরকারনা পায়খৎলিবা জল সমরিধ ভারতকী ভিজন মঙফাওনহন্নবা হোৎনবদা লনাই মীওইশিং অমদি ওর্গনাইজেসনশিংনা লৌরিবা থৌদাংবু শক খঙদুনা নেসনেল ৱাটর এৱার্দ অসি পীবনি।

**পিএম ঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- লাক্লিবা চহি মঙাদা মেদিকেলগী সিট লিশিং ৭৫ হেন্না হাপচিনদুনা লৈবাক অসিগী হেলথ কেয়ার সিষ্টেম হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা হোৎনরগনি। হৌখিবা চহি তরা অসিদা লৈবাক অসিদা অনা লায়েংগী লমদা চাডনা অওনবা পুরকপা ঙমলে।

মহাক্কী লোক সভা কেন্দ্র ওইরিবা বরানাসিদা ঙরাং আর.জে. সনকারা আই হোস্পিতাল শঙ্গাবগী থৌরমদা প্রধান মন্ত্রিনা হায়- কাশি অসি হৌজিক্তি লৈবাক অসিগী য়ামা চাউবা হেলথ কেয়ার হব অমা ওইবা ঙমলে। মহাকা হায়- মহাক্কী সরকারনা হেলথ কেয়ার সেক্তরদা পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিং শিংথারদুনা প্রধান মন্ত্রিনা হায়- হৌখিবা চহি তরা অসিদা পুরবানচলদা আয়ুসমান অরোগ্যা মন্দির লিশিং ৫,৫০০ হেন্না লিংখৎখ্রে। মসিদা হিদাক লাংথকশিংগী মমল চাদা ২৫ হন্থনা ফংহনবা ঙমলে। মহাক্কী সরকার লাকখ্রবা মতুংদা মিসন হন্দ্রধনুসনচিংবা অচৌবা ইম্যুনাইজেসন প্রোগ্রামশিং পায়খৎতুনা অঙাং অমসুং মীরোনবী লাখ কয়াদা চাউনা কান্নবা পীরে।

**নিউজলেন্দঃ** নিউজলেন্দনা অহানবা ওইনা আই.সি.সি ৱিমেন্স টি-২০ ৱার্ল্ড কপ লৌখ্রে। ঙরাং দুবাইদা শান্নখিবা ফাইনেলদা নিউজলেন্দনা সাউথ আফ্রিকাবু রন ৩২ দা মাইথিবা পীদুনা ৱার্ল্ড কপ অসি লৌখিবনি।

**স্পোর্টস ঃ** কেন্দ্রগী য়ুথ এফ্যারস এন্দ স্পোর্টস মন্ত্রি ডাঃ মন্সুখ মন্দাভিয়ানা হায়রি- সরকারনা ভারতপু মালেমগী শান্ন খোৎনবগী লমদা খ্বাইদগী মকোক থোংবা লৈবাক তরাগী মনুং চলহনবা ঙমবা কন্না হোৎনরি।

তিরুভনন্থপুরমগী কোদিয়রদা ঙসি স্পোর্টস ওথোরিতি ওফ ইন্দিয়াগী অপগ্রেদ তৌরবা গোল্ফ কোর্স অমা শঙ্গাবগী থৌরমদা মন্ত্রিনা হায়- গোল্ফ মশান্নগী লমদসু ভারতকী শান্নরোইশিংগী থোইদোক হেন্দোকপা হৈ শিংবশিং লৈ। ইং ২০৪৭ ফাওবগী মনুংদা ভারতপু চাওখৎলবা লৈবাক অমা ওইহন্নবা থল্লিবা পান্দম অসি ফংনবা হোৎনবদা ভারতমচা পুমমক মশা মউ ফনা লৈহনবা তঙাইফদে। মসিগী মথক্তা পুকিং ৱাখল অমসুং খুন্নাইগী হিরম খুদিংমক ফিভম ফনা থমবসু হোৎনগদবনি।

**কাশ্মীর ঃ** কাশ্মীর তম্পাক্তা সেক্যুরিতিগা খুৎ থোকবদা খুৎলাই মতিক চানা পাইরবা টেররিষ্ট অমা শিরে। শ্রীনাগরদা লৈবা চিনর কোরগী সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎলকপা পোষ্ট অমদা অৱাং থংবা কাশ্মীরগী য়ুরি এরিয়াগী লাইন ওফ কন্ট্রোল টেররিষ্টশিং চথোক চৎশিন তৌরে হায়বগী পাউ ফংবদগী মফম অদুদা থিবা হুম্বগী থবক চথখি। মদদা টেররিষ্টশিং অদুনা সেক্যুরিতি ফোর্স তমা নোংমৈ কাপশিল্লকপদগী অকনবা মওংদা খূৎ থোকম্বদা লৈখিদবনি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

### থাগৎচরি-নোলিনি

চিফ মিনিষ্টরনা ৱার্কস মিনিষ্টরগা লোয়ননা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর কিরেন রিজিজগা উনখিবা এন.এস.সি.এন আই এম অমদি ভারত সরকার অনিগী মরক্তা ৱারি শান্নবগী পাউ অমদি জিরিবামদা কুকি মিলিটেন্টশিংনা য়ুম অনি মৈ থারম্বগী পাউ পাউচেশিংগী মরু ওইবা পাউ ওইনা ফোঙনরি।

চীফ মিনিষ্টনা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর রিজিজগা উনখিবগী পাউ অসি মণিপুর নিউজ, হুইয়েন লানপাউ, ইচেল এক্সপ্রেস, সনালৈবাক, ইম্ফাল ফ্রী প্রেস, নহারোলগী থৌদাং পীপলস ক্রোনিকল অমদি মোর্নিং বেলদা অহানবা লমাইদা হেদ লাইন তৌরি।

পাউ অসি ইচেল এক্সপ্রেসতা দিল্লিদা চীফ মিনিষ্টর, পি.দল্লিউ মিনিষ্টর, ওফিসরশিংগা মীফম পাঙথোকখ্রে। মনিপুরদা ৱার্ল্ড ক্লাস ফুটবোল ষ্টেদিয়ম শেমগৎপা য়াওনা মেজর প্রোজেক্ট কয়া পাইখৎনবা খন্নখ্রে হায়না হেদ তৌরি।

--নোলিনি--